থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# অতোপ্পগী অমদি ইশাগী পূক্নিং-ৱাখল খঙমিন্নবা

অদোম, কনাগুম্বা অমগী মায়থোংদুদা য়েংলগা, মাগী পূক্নিং খঙবা ঙম্বরা? মীগী পূক্নিং খঙব'সিবু অরুবা থবক অমরা? মুন্না খন্থরুদনা কনাগুম্বনা লুনা খন্নরবসু অমুক্তং তিল্লাং খয়োংনবীয়ু-অরুবা থবক নত্তবনি। নোংমাইথেম পহারীনা শকপা, বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মগী ময়েক 'অচম্বা মীনোক নত্তেনে/নুংশি মীনোক্নি মাগীদো' হায়বা ঈশৈদু নীংশিংবীয়ু। নুপীজা অমনা খোয়রুম মোমোন তৌবা মায়থোংদু উরগা নুংশি-পাউজেল ফাওনরিবা পাখঙ অমদি লৈশানি। 'বিং ক্রোসবি'- অমেরিকান লিরিসিস্ত (ঈশৈ ইবা) অফাওবদুনা ইবা ময়েক অমগা লৈ... 'য়ু দোন্ত নীদ তু নো দ লেংগ্বেজ তু সে য়ু আর ইন লব'... (নুংশি ঈপাক্তা তাওরে হায়বা ফোঙদোক্লবা লোন অমা মথৌ তাদে)। ঈশৈ ময়েক অনী অসি ফোঙদোক্লিবা মফোঙদোক... পূক্নিংগী ৱা, সাইকোলোজি... মুন্ন'মুক্তা খন্থবীয়ু- অচৌবা সাইকোলোজিগী লাইরিক অমা পাবগুম্না তৌবনি। কনাগুম্বা নৎত্রগা কনাগুম্বী অমবু অতোপ্পা কনানা নুংশিরুরে হায়বা ফোঙনবা ৱাহৈ নৎত্রগা লোন অমগী দরকার লৈতে... নুংশি চৈনা ফংলবা, নৎত্রগা, নুংশি-ঈপাক্তা লূপ্পুরবা মহাক অদু নত্তনা ৱাহৈসিগী মতীক-ময়াই, কনানসু খঙ'ঙম্লোই।

মতৌ অসিগুমদুনা 'ঐনা নঙবু পাম্মী', নৎত্রগা 'ঐনা নঙবু তূক্কচ্চৈ'... নৎত্রগা 'নহাক ঐঙোন্দা মরু ওইবা মীশক্নি/মরু ওইদবা মীশক্নি'...'ঐনা নঙবু কল্লকই'...'ঐহাক নঙবু কিজৈ'... অসিনচিংবা ৱাহায়শিংসি হায়নবা ঐখোয়গী 'লোন'- তঙায়ফদবা অমা নত্তে। 'ঐ থবক অসি তৌনীংদ্রে', 'ঐহাক লাম্বনা চরী তৎলে'- হায়বনচিংবসি ৱাহৈগী ৱাংমদা মীওইবনা ইরায় লায়না ফোঙদোক্লবা মফোঙদোক লৈ। অমরোমদা হায়রগা, ঐখোয়না খল্লিবা ৱাখল অদুগী মমি, ঐখোয়না তৌথোরকপা থবক্তুদা তাই। কা অমগী মনুংদা ফমদুনা থবক শুমিন্নরিবা নুপা নৎত্রগা নুপীদুগী মওং-মতৌ, লীচৎ-শাজৎ উবমক্তদা খঙবনি- ময়ূমদা কনাগা করি তৌনরক্লে? থবক খোয়জঙনা শুরিবরা/মতম লেন্নবা লাক্লিবরা? দুকান মপুনা পোৎ-য়োনবই পূক্নিং, ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংগী/মপুরোইবনা মাগী নুপীগী/নুপীনা মাগী নুপাগী পূক্নিংগী ৱা খঙববু তম্নরুবা/তাক্লরুবা নাইবরা?

তরু-তরুবা ওফিস অমদা হেক চঙলকপদা ফ্রন্ত-ওফিস'তা ফম্লল্লিবা মশা নানবা নুপা নৎত্রগা নুপীদুনা 'হ্বাত কেন আই দু ফোর য়ু সার/মেদাম' হায়বা ৱাহৈদু নত্তে মরু ওইরিবা। ৱাহৈদুগা ঈরোয়নরকপা 'মোমোন মীনোক' অমদি 'খোন্থোক' অদুনি হেন্না মরু ওইরিবদি। মহাক্কী 'গুদ মোর্নিং' হায়বা ৱাহৈ/খোন্থোক অদুখক্তনা ওফিস-শঙলেন অদুগী শক্তাক্লফমনি। ৱাহৈ অনীখক্তু হায়রিবা নুপা নৎত্রগা নুপীদুনা ঐহাকপু কৌশিনবা নৎত্রগা তান্থোকপগী ৱারেপ্পফমনি। মীওইবগী ৱাহৈনা ফোঙদোরক্লিবা পাউজেলদুদি ওইদ-পাদ-মীনম-শোরি ওইরম্বসু য়াই অদুবু, মীৎয়েংনা-নায়েংনা-ইঙ্গিৎনা-ঈরাংনা ফোঙদোরকপা পাউজেলদুদি লৌথুপ-লৌকোই লৈত্রবা, থম্মোয়গী অশেংবা পাউজেলনি। মরোন থোক্ত্রিবা অঙাংগা, খোল্লাং পীথক্লিবী মমাগা পাউ ফাওনরিবা লোন অদু ৱাহৈগী ৱাংমদা লৈখ্রবা লোন অমনি। মীওইবগী লোন শেম্লক্ত্রিঙৈ, কাঙলুপ-ফুরুপ নাইরক্ত্রিঙৈ, পোলিটিকেল অমদি জিওগ্রাফিকল বাউন্দরি শেম্নদ্রিঙৈ, মীওইবনা 'মীওইব' কৌবা ফুরুপ্তু ওইনা লৈমিন্নরিঙৈ, চহী লিশিং-লীচা কয়াসি অমগা অমগা পাউ ফাওননবগীদমক্তা হকচাং কায়াৎ অমদি মায়থোং'খক্তগী মতেংনা হায়নিংবা কয়া হায়নরম্মী। ঙসিগী চাউখৎলবা মতমসিদসু 'লোনথোক্তবশিংগী লোন'- লোন'না ফোঙবা ঙমদবা ৱাখলগী ফীলিং কয়া ফোঙনবগীদমক্তা, ৱাঙাং হৈবশিংনা খঙবা তঙায়ফদবনি।

অসূম্না, মীগী মওং-মতৌ, মীৎয়েং-নায়েং য়েংলগা মীগী লমচৎ-ৱাখল-পূক্নিং নুংফাউননা উবগুম, ঐবু মীনা উরগা ফাওরমগদবা ৱাখল-ফীলিং, ইশানা উজবা ঙম্বা, ইশানা ইশাবু খঙজবা-অদুগুম্বা মীশক্তুবু কৌই ঙসিগী মীওইবনা- 'মেন ৱিথ দ রাইট এট্রিচ্যুত'। ৱাখল চুম্না খনবা ঙম্বা মী হায়গদ্রা? মী অমগা অমগা মান্নদ্রিবা, তৌবা ঙম্বগী চাং খেন্নরিবা- মান্নদবা এট্রিচ্যুত অদুননি।

তেরা বোইজ জুনিয়র হায়-স্কুলদা তম্লিঙৈগী ওজা অমা নীংশিংলি। লাই-য়েকপা (পেইন্টিং) অমদি মীতৈলোন তম্বীরকখি। মানা তাকপা পারা অমত্তা, ঐদই চিংনা, কনামত্তা পূক্নিং চঙখিদে। মানা তৌবা য়াথং অমত্তা ছাত্রশিংনা ইনখিদে। হেক চঙলকপগা, অঙাং অমা কৌশিল্লগা মকোক মালিশ তৌহল্লগা উইদুনা (তূমদুনা) লৈগনি। অদুবু, মাগী পেপর অদুদা মহৈরোয়শিং অয়াম্বা নম্বর ৱাংনা ফংনগনি। হায়নখি- 'ওজা অসিগী মার্ক'তি ইরল্লিবা পাউখুমদুগী অশাঙবা কাপ'তা ওল্লগা পীবনি'। মবুক ফখ্রবা ওজাদুনা তাকপা পারা-মহৈরোয়শিংদুনা তানীংখিদ্রিবা করিগীনো? কোন্না খঙলকখিবনি- মহাক মশামক্লা পূক্নিং চঙনা তাকখিদবদুনা, মহৈরোয়শিংসু পূক্নিং চঙখিদবনি। অদুগা, রাম-লাল-পাল হায়'স্কুলদা, ক্লাস নাইন'দা হোংলবা মতুংদা থেংনরকখিবা ওজা, রাজকুমার সীতলজিৎ ! পুরা তায়ওন্নরবা ক্যারেক্তর অমা ! ক্লাস-রুমদা চঙবদা, লাইশঙ অমদা চঙবগুম লাইবক কৎলগা চঙহনখিবা! অতোপ্পা ওজাশিংনা লৌরিবা ক্লাস মনুংদুদা মহৈরোয়শিং পূক্নিং-চঙনা তারিবরা? তাদবরা? কোয়না চৎতুনা য়েংশিল্লিবা! মহাক্না তাকখিবা ইংলিস পেপর ৱান- মালেম শীন্না ফাওরবা শোর্ত-ষ্টোরি অমদি পোইমশিং- পিন-দ্রোপ-সাইলেন্স'তা মহৈরোয়শিংনা তাখিবদু, মহাক্কী চৈরাক কিবনা নত্তে। ওজা অমা ওইবগী মথৌ-শঙলবা (এক্তিভেতেদ) এট্রিচ্যুদ অদুনা মহৈরোয়শিংবুসু মথৌ শঙখিবনি।

মালেম শীন্না য়ানরবা এট্রিচ্যুত মখল অহুমখক্তু, দিভেলপ তৌনবা হোৎনসি। য়েংশি-ইশাদা করি অহোংবা লাকপগে- (১) ঐহাক পূক্নিং হকচাং অনীমক য়াওশিন্না থবক তৌরি; (২) ঐগা থবক তৌমিন্নরিবা মহাক্তু, ঐগুম মরু ওইবা মীশক্নি; (৩) ইশাগী ইরন্নাই থবক্তগী অতোপ্পগী (কষ্টমরশিংগী)না হান্না... হায়বা ৱাখল অসিনা মাঙওইনবা।

লৌশিং পুক্কে

# মৈখু শীজিন্নবা তোক্কে

## খল্লবদি খুদক্তগী লেপ্পনা খ্বাইদগী ফৈ

মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপগী মতাংদা নোংমগী চাং খরা খরা হন্থরগা তোকপবুদি খুদক্তা খংলেপ লেপ্পনা হেন্না ফৈ হায়বা খঙলে।

এনালস ওফ ইন্টরনেল মেদিসিনদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, হৌজিক চৎনরিবা গাইদলাইন অমগী মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই অমনা করিগুম্বা মৈখু শীজিন্নবা তোক্কে হায়রবদি অকক্লবা নুমীৎ অমদগী খংলেপ লেপকদবনি।

নোংমগী চাং খরা খরা হন্থরগা তপ্পা তপ্পা হৈনবী অসি থাদোক্কে খল্লবদি ওইথোকপদা ৱানা থোক্কনি হায়রি। রিছার্চরশিংনা মীওই ৬৯৭ খনগৎলগা মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকহন্নবা হোৎনরম্মী। মীওই খরবু নোংমদা খংতোক তোকহনবগা লোয়ননা অতোপ্পা খরবুনা নোংমগী তপ্পা তপ্পা চাং হন্থহল্লগা তোকহল্লম্মী।



থা খরগী মতুংদা চাংদম্নদুনা য়েংবদা নোংমগী চাং খরা খরা হন্থরগা তোকখিবা কাঙবুদগী নোংমদা খংতোক তোকখিবা কাঙবুনা মতম হেন্না শাংনা মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা ঙম্মী হায়বা খঙলকখি।

মরম অদুনা কনাগুম্বা মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোক্লিংবা মীওইশিংনা নোংমগী চাং খরা খরা ককথবগী মহুৎ খুদক্তা খংতোক তোক্কদবনি হায়না এনালস ওফ ইন্টরনেল মেদিসিনদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়রি।

অমরোমদা, মৈখু শীজিন্নবা, খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা নুপা-নুপী লোয়নবা (অনসেফ সেক্স) অমদি অতৈ মরম খরদগী ইন্দিয়াদা নুপাশিংগী পুন্সি তেনশিল্লক্লে হায়বা সর্ভে অমদগী খঙলে। ইন্টরনেসনেল সোসাইটি ফোর মেন হেল্‌ঠনা পাঙথোকখিবা সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি, নুপা অনী খুদিংগী মনুংদা অমমম পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা কেন্সর নাবা থেংনরি।

চাংচৎতা নুপানা নুপীদগী পুন্সি তেনবা হেনবগী মতাংদা য়ুরোলোজি, কার্দিওলোজি, ওনকোলোজি, সাইকিয়াট্রি, এন্দোক্রাইনোলোজি, ওর্থোপেদিক, রিপ্রদক্টিব মেদিসিন অমসুং রিহেবিলিটেসন মেদিসিনগী স্পেসলিষ্টশিংনা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা নুপাশিংগী পুন্সি শাংদোকহন্নবা পান্থে পুথোক্লবা হোৎনরি।

সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি, মতম অমদা কা হেন্না চাং ৱাংলমদ্রবসু প্রোষ্টেট কেন্সরগী চাং তপ্পা তপ্পা ৱাংখৎলক্লে। মৈখু শীজিন্নবা, য়ু থকপা, চাকচা-য়ুথক শোয়বা অমসুং পুন্সি মহিং হোংলকপনা নুপা অয়াম্বা প্রোষ্টেট কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ হায়রি।

কুমজা ২০১১ গী সেন্সস রিপোর্ট মতুংইন্না নুপা ১০০০ খুদিংগী নুপী ৯৪০ থুংনৈ। চাংচৎতা পুন্সিবগী মতাংদদি নুপাগীনা চহী ৬৫.৭৭ নি অমসুং নুপীগীনা চহী ৬৭.৯৫ নি।

পুন্সি তেলহনবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা মরমদি মৈখু শীজিন্নবা হায়বসিনি। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হৌখিবা চহী ১৭ কী মনুংদা লৈবাক অসিগী নুপাশিংনা মৈখু শীজিন্নবগীচাং চাদা ৩৬ লোম হেনগৎলক্লে হায়রি। নৌনা মৈখু শীজিন্নরক্লিবা মীওই অয়াম্বা মশাগী চহী ১৫ দগীনা ২৯ ফাওবগী মনুংগী মীওই ঙাক্তনি।

হিরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎপগা লোয়ননা চুরূট-বিরিদগী অহেনবা টেক্স লৌরবদি মৈখু শীজিন্নবগী চাং হন্থরকপা য়াই হায়না অখঙ অহৈ কয়ানা মোত পীরি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০১০ দা মৈখু শীজিন্নবনা মরম ওইরদুনা ইন্দিয়াদা মীওই লাখ ১০ রোম শিহনখি হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অয়াম্বা মশাগী চহী ৩০ দগীনা ৬৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই ঙাক্তনি। কুমজা ১৯৯৮ দা মৈখু শীজিন্নবা মীগী মশিং মিলিয়ন ৭৯ লৈরম্বদগী কুমজা ২০১৫ দদি মিলিয়ন ১০৮ য়ৌরকখি। চাংচৎতা মৈখু শীজিন্নবা মীগী মশিং লাখ ১৭ লোম হেনগৎলকপা থেংনখি।

মৈখু শীজিন্নবনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়খি, চুরূট মচৈ অমা থকপা খুদিংগী পুন্সি তেনশিলহল্লি হায়বা কাউরোইদবনি। মরম অদুনা পুন্সি নুংশাংনা হিংনবগীদমক মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোক্কদবনি। অদুবু হৈনবী অসি থাদোকপদা নোংমগী তপ্পা তপ্পা চাং হন্থবগী মহুত্তা অকক্লবা নুমীৎ অমদগী খংলেপ লেপকদবনি হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# নিঙোল ওইবীশিংদা কখোল্লবা ঈ হায়বা থীমদা রিমসতা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস) :

৭৯-দি এম সী এস সী ষ্টোলৱার্টস্‌, ফ্রেন্দশিপসনেল একাদেমীগী অনীশুবা ফাউন্দেসন সেলেব্রেসন পাঙথোকখিবগা মরী লৈননা নুমীৎ তরেৎনি চুপ্পা চথুগদবা ঈ কৎপগী থৌরম ঙরাং হৌদোকখিবগা লোয়ননা ঙসি নীনি চনবা নুমীৎ অসিদসু লাইফ সেভর্স মণিপুর ৭৯-দি এম সী এস সী ষ্টোলৱার্টস, সাইয়োল হেল্পিং হেন্দ, নিংথৌ হৈকোল, ষ্টেটব্লদ সেল এন ঐচ এম, এম/এস শিবদত্তৱা এজেন্সী, এম/এস নোর্থইষ্ট মার্কেটিং এজেন্সী অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন রিমসকা পুন্না খুৎশম্নদুনা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমদি কেম্পেনগী থৌরম অমা নিঙোল ওইবীশিংদা কখোল্লবা ঈ হায়বা থীমদা রিমসতা পাঙথোকখ্রে হায়না লাইফ সেভর্স মণিপুর (লিসম) গী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমার শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসিগী থৌরম অসি সাইয়োল হেল্পিং হেন্দগী মঙাশুবা ফাউন্দেসন দে সেলেব্রেসন অমদি নিংথৌ হৈকোলগী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি পাঙথোকপনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ৭৯-দি এম সী এস সী ষ্টোলৱার্টসকী প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবুংঙোচৌবা, লাইফ সেভর্স মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমার শর্ম্ম অমদি ৭৯রকশুবা ভলন্টরি ব্লদ দোনর ওইরবা কে ঐচ প্রেমজিৎসু শরুক য়াখি। ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা এসোসিএসন, ক্লব অমদি তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংদগী মীওই কয়া লাকপীদুনা শরুক য়ারখি। মখোয়বু লাইফ সেভর্স মণিপুর অমদি ৭৯-দি এম সী এস সী ষ্টোলৱার্টসকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# ককচিংগী নুঙু সনামহী লৌকোলগী লৌফমশিং লৌ উবা য়ানবা লৌখোং শেমজিন্নবা য়েংশিনখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস) :

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী নুঙু সনামহী হায়রিবা মফম অসিদা লৈরিবা লৌকোলগী লৌ উবা য়াদনা লৈরিবা চাউরাক্লা লৌ পরি ৪০০ রোম লৌ উবা য়ানবা ঈশিং পীনবগী পান্দমদা তঙাইফদনা লৌখোং শেম্নবগীদমক ঙসি ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা লৌকোল অসিগী কম্মিটিগা পুন্না চৎমিন্নদুনা য়েংশিনখ্রে।

নুঙু সনামহী লৌকোলগী লৌফমশিং লৌ উবা য়াদনা লৈরিবা অদুবু ঈশিং পীদুনা মতৌ করম্না লৌ উহনবা য়াগদগে হায়না লৌখোং শেম্নবগীদমক চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোরকখিবদা, এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী নুঙু সনামহী লৌকোল অসি লৌ পরি ৮০০ রোম লৈ। মসিগী মনুংদা লৌ পরি ৪০০ রোমদি ঈশিং ফংদবনা লৌ পানবা য়াদনা লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা লৌকোল অসিগী কম্মিটিনা ফোঙদোরকপদগী লৌফমশিং অসিদা ঈশিং পীনবা য়েংশিনবা লাকখিবনি। ঐখোয়গী সিভিলাইজেসন অসিনা য়াম্নমক চাউখৎলবসু চাদনা হিংবদি য়াদবনিনা লৌমীশিংগী পোত্থোক হেনগৎনবা অমদি লৌমীশিংগী অৱাবগী মমল ফংহন্নবা হোৎনবা হায়বসি পল্লিকপু লুচিংলিবা লিদরশিংগী মথৌনি। মখোয়গী চঙদবা য়াদ্রবা মথৌ তাবশিং পীবা ঙমদ্রবদি লিদর ওইরুবগী কান্নবা লৈতে। মরম অসিনা লৈঙাক্কী প্রোগ্রামদা হাপ্পগা ওইরবসু নৎত্রগা এম এল এগী লোকল এরিয়া ফন্দদগী ওইরবসু লৌকোল অসিগী কম্মিটিনা পাল্লিবা লৌকোল অসিদা লৌ উবা য়াদনা লৈরিবা লৌ পরি ৪০০ রোম অসিদা ঈশিং য়ৌহন্নবা অথুবা মতমদা হোৎনরগনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, হায়রিবা লৌ পরি ৪০০ রোম অসিদা ঈশিং মরাং কায়না পীবা ঙম্নবগীদমক লৌখোংশিং শেমগৎলকপদা লৌবুক্কী মপুশিংগা অয়েৎ-অপন লৈতনবা য়ানবা অমা অথুবা মতমদা পুবীরকউ। মদুনা লৌমীশিংদা ঈশিং অথুবা মতমদা পীবা ঙমগনি হায়খি।

# সোসল ৱার্কর ডা. এস মনাওতোন তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচ এন এস) :

নাওরিয়া পাখঙলাকপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিদা মীরেপ ওইখিবা ডা. সোরাইশম মনাওতোনদা ৱর্ল্ড ইন্সটিট্যুট ওফ য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লাইফ টাইম মেম্বরশিপ অমদি এদ্যুকেসনদা ওনোরেরি দোক্টরেট দিগ্রি পীরকপগীদমক নাওরিয়া পাখঙলাকপা কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা শিন্দুনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা মেকোলা বাজারদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা নাওরিয়া পাখঙলাকপা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নান্দেবম শঙ্গোইজাও; নাওরিয়া পাখঙলাকপা কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী কনভিনর কিয়াম্বা হিদাম অমদি ওজাগী শিনফমদগী পোত্থারবা হান্নগী হেদ মাষ্টর হিজম বিরহরিনচিংবনা মথংশিংনা ফম্বাক্কী লৈতেং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর ডা. এস মনাওতোননা ফোঙদোকখিবদা ঐহাক্না ইরমদম মণিপুরগী মীয়ামগীদমক এদ্যুকেসনগী লম্‌দা করিগুম্বা থবক খরদং ওইরবসু তৌজরিবা অসিবু শকখঙবিবা ওইনা ৱর্ল্ড ইন্সটিট্যুট ওফ য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লাইফ টাইম মেম্বরশিপ অমদি এদ্যুকেসনদা ওনোরেরি দোক্টরেট দিগ্রি পীরকপা অসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। লমদম অসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবা নহাশিংগা পুনশিন্দুনা অওনবা অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি। চাওখৎপা হায়বসি এদ্যুকেসন য়াওদনা ওইথোকপা ৱাগনি। মরম অদুনা ঐখোয় পুন্নমক্লা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা এদ্যুকেসনগী মঙাল মতিক চানা ফংহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, সোসল ৱার্কর ডা. সোরাইশম মনাওতোন কুমজা ২০০৯দা আইদিয়েল টিচর্স এৱার্দ; কুমজা ২০১২দা ইন্টরনেসনল এৱার্দ ইন এদ্যুকেসন (য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা); বেষ্ট প্রিন্সিপাল ওফ দ য়র (২০১২); ফাদর ওফ মুস্লিমস এৱার্দ (২০১৩); নোর্থ ইষ্ট বেষ্ট সিটিজন এৱার্দ (২০১৩); আউটষ্টেন্দিং এদ্যুকেসনল এৱার্দ (২০১৪); নেসনল এৱার্দ ইন এদ্যুকেসন (২০১৬); আউটষ্টেন্দিং লিদরশিপ এৱার্দ (২০২২), রেকগনিসন লেট্টর ওফ আউটষ্টেন্দিং এদ্যুকেসনল সর্ভিস অমদি এপ্রিসিএসন লেট্টরনচিংবা কয়া ফংখিবা লৈখ্রে।

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ
Resonance®
Educating for better tomorrow
Live-video Learning Program (LLP) Centre
* 45 Days Crash Course for NEET 2022
(Commencement Date - 10th May, 2022)
* 1 Year Regular Courses for NEET & JEE
* Foundation Courses for Class-IX to XII (NEET & JEE)
Commencement date-15th May, 2022
*6 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
*Classes from best faculties from Resonance Kota.
Study Materials from Resonance Kota Rajasthan
ENROLL TODAY!

PHYSICS FACULTY



Er. Sundaram Kr.
B.Tech (CSE), PGPM/MBA
More than 9 years (JEE/NEET) experience Physicist (down to earth)
Author/Speaker/Pioneer in Spiritual Psychodynamics
Member of International United Educationists Fraternity (IUEF)

BIOLOGY FACULTY



Mr. Vishal Kumar
M.Sc. (Life Science)
10 years experience as Biology faculty for NEET

MATHS FACULTY



Mr. Basant Kumar
Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzzafarpur
Over 25 years of experience for JEE

CHEMISTRY FACULTY



Mr. Sujal Baroi
B. Tech, Electrical Engineering
6 years experience as Chemistry faculty at Resonance, Silliguri

ADMISSION
THROUGH SCHOLARSHIP TEST
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
Nachom Edu Foundation,
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535
HL/B/7601/14, 16-24

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।০৪।২০২২ইং, নিংথৌকাবা;
শজিবুগী ২৫নি পানবা।

**মেষ:** ইকায়বা নংবা য়াবদি কোকচরে অদুবু চীন য়াঙবনা নরলদা তায়নবা য়াবদি লৈ। হকচাং খীংবা, অনীংবা থবক পাঙবা, অনৌবা আশা লাকপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃষ:** ওইদ-পাদবা অমদি মথোং খঙদনা থৌ পাঙলদি অরেম্বদা চাদিং তৌগনি অমদি কায়নবা নংগনি। লৌশিং ফুদোক্লা ওইজবা তানবদি মীকোক থোংনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীতোপ থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন:** খল্লুদবা কান্নবা অমদি লন ফংবা নুমিৎনি। পাঙবা হৌখ্রবা থবক্তা চিংনদনা মাঙলোমদা চঙশিল্লু-মায় পাকপা হায়বদু নশাদা লৈরবনি। মীয়াম্না মীচঙ ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কর্কট:** অশাওবনা মাঙজবা অমদি নচা-ননাইগী লমদা পেন্দবা খরা লৈরসু নীংবদি থুংগনি, শেন্দোং তানবা য়াগনি অমদি অরুবা ৱারেপ লৌবা মতাং চাগনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা তৌবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** নীংবা মপা চাগনি, খুৎচাও থাবা অমদি অনৌবা থৌরম পাঙবা হৌহৌবা অশিংবা তাগনি। নথক থোংবনা তাথিবা ফরগনি অমদি পোরম শীনবা হৈরগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** পাউ নুংঙাইতবা তাবা অমদি চরাংনবনা মতম মাঙবা লৈরসু মরুপ মপাংগী মতেংদি ফংগনি। ইমুং-মনুংগী অমদি লৌশিং চাওবগী ৱা তাবদি খ্বাইদগী ফবনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**তুলা:** মীয়ামগা মরী ফরনি, হকচাং নুংঙাইরমদবসু ফরনি, নচা-ননাই পুনবগী নুংঙাইবা লৈ। অনম তান্নরদি ইমুং-মনুংদা ফাওবা ইশৌ লাঙগনি। নাপল তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা থোইনা লুনা তৌবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** নথক থোংবনা লুনা তৌবীবা অমদি কান্নবা পীবিবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক্তা মাঙজিল থাগনি। ঙাং-শকপদি হৈবা ৱাৎকনি, য়েক্লবনা মরুপ কায়নহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**ধনু:** লাংতক্লবা ফাথবা, অখঙ অহৈ শাদবা, হুরানবদগী চেকশিঞ্জবনা খ্বাইদগী হেন্না ফবা নুমিৎনি। খুৎ চাওবনা নরলদা তায়ননি, মীয়াম্না য়াবা পাঙবনা নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

**মকর:** ৱাখল নুংঙাইজবা, ইমুং-মনুংগী পাউতাক কান্নবা অমদি অনৌবা থৌরম মায় পাকপা লৈ। অনম তাল্লবা অমদি মীনা ঙাংবা থাজরদি মরুপ মপাংগা নুংঙাইনরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কুম্ভ:** খোয়রাং-খোয়শাওবা অমদি ৱাখল থোকপা ৱাৎপা লৈ-নীংবদু পাঙদা য়াদে খনগনু। লাই-গুরুগী ৱা নীংশিংনা থৌপাঙউ। নীংহন্নদবনা অপাম্বদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিন:** ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগনি, মীচৎসু ফংগনি, পল্লম্বা লন ফংবগী নুংঙাইজবা অমদি য়েৎনবদা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। অনৌবা থৌরম পাঙবা হৌবসু য়ারনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।